# গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স

তোয়না হংবা ৱাহংশিং

# জি এস টিগী মখাদা ফংগদবা কম্পোজিসন লিভিগী মতাংদা

## হংনীংঙাই ওইবা ৱাহংশিং

নেসন টেক্স মার্কেট

**১. জি এস টিগী কম্পোজিসন লিভি হায়বসি করিনো?**

**পাউখুম** কম্পোজিসন লিভি হায়বসি টর্ন ওভর লাক্ষ ৭৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা (ষ্টেট খরদা লাক্ষ ৫০ ফাওবা) স্মোল টেক্স পেয়রশিংনা টেক্স পীবগী অতোপ্পা মেথদ অমনি। কম্পোজিসন স্কিমগী অচম্বা পান্দমদি স্মোল টেক্স পেয়রশিংনা টেক্স পিবদা লায়থোকহনবা অমদি কম্পলায়িং কোচ হন্থহন্নবনি। অমরোমদা স্মোল টেক্স পেয়রশিংনা নোর্মেল রেটতা টেক্স পিবগী মহুত্তা মহাক্কী টর্ন ওভরদুগী থিফম থোকপা টেক্সতু ক্বার্টর খুদিংগী ওইনা পীবসু য়াই।

**২. কম্পোজিসন লিভিগী স্পেসিফাইদ রেটতু করিনো?**

| সে নম্বর | কেটেগোরি ওফ রেজিষ্টর পার্সন | রেট ওফ টেক্স |
|---|---|---|
| ১. | মেনুফেক্টচরশিং, আইস ক্রিম পান মসালা, টোবেকো প্রদক্টশিং নত্তবা গভর্ণমেন্টনা নোটিফাইদ তৌবা মেনুফেক্টচরশিং | টর্ন ওভরগী - ২% (১% সেন্ট্রেল টেক্স প্লস ১% ষ্টেট টেক্স) |
| ২. | রেষ্টোরেন্ট সার্ভিসেস | টর্ন ওভরগী - ৫% (২.৫% সেন্ট্রেল টেক্স প্লস ২.৫% ষ্টেট টেক্স) |
| ৩. | ত্রেদরস নৎত্রগা অতোপ্পা সপ্লায়রশিংনা পীগদবা কম্পোজিৎ লিভি | টর্ন ওভরগী - ১% (০.৫% সেন্ট্রেল টেক্স প্লস ০.৫% ষ্টেট টেক্স) |

**৩. করম্বা কেটেগোরিনা কম্পোজিসন লিভি পীবা য়াবগে? লাক্ষ ৫০ গী টর্ন ওভর লৈবা টেক্স পেয়রশিংনা হায়রিবা কম্পোজিসন লিভি অসি করম করম্বা স্পিসিয়েল কেটগোরিদা লৈবা ষ্টেটশিংনা ফংগনি ?**

**পাউখুম** কম্পোজিসন স্কিম হায়বসি মমাঙগী ফাইনান্সিয়েল ইয়রদা টর্ন ওভর লাক্ষ ৭৫ গী মখাদা লৈবা স্মোল টেক্স পেয়রশিংনা জি এস টিগী মখাদা পীগদবা টেক্সকী স্কিম অমনি। অদুবু মখাদা পীরিবা ষ্টেটশিং অসিদদি হায়রিবা স্মোল টেক্স পেয়রশিংগী টর্ন ওভর অসি লাক্ষ ৫০ খক ওইগনি।

| | | |
|---|---|---|
| এ) অরুনাচল প্রদেশ | বি) আসাম | সি) মণিপুর |
| দি) মেঘালয়া | ঈ) মিজোরাম | এফ) নাগালেন্দ |
| জি) সিক্কিম | ঐচ) ত্রিপুরা | আই) হিমাচল প্রদেশ |

**৪. কম্পোজিসন স্কিমদা ইলিজিবল ওইদবা মীওইশিং ?**

**পাউখুম** মখাদা পীরিবা মীওইশিং অসি কম্পোজিসন স্কিম ফংলোই।

এ) কেজুয়েল টেক্সেবল পার্সন নৎত্রগা নন রেসিদেন্ট টেক্সবল পার্সন

বি) মমাঙগী ফাইনান্সিয়েল ইয়রদা টর্ন ওভর লাক্ষ ৭৫ দগী হেনবা সপ্লাইয়রশিং

সি) রেজিষ্টর তৌদবা সপ্লাইয়র অমদগী লৈরুবা পোৎশিং অমদি রির্ভস চার্জ বেসিসতা জি এস টি পিদবা

দি) রেষ্টুরান্ট সার্ভিস নত্তবা অতোপ্পা সপ্লায়র ওফ সার্ভিসেস

ঈ) জি এস টি লোগী মখাদা টেক্স থিরোইদবা পোৎশিং সপ্লাই তৌবা

এফ) ষ্টেট অমগগী মরক্তা পোৎ য়োম্থোক য়োনশিন তৌবা মীওইশিং

জি) সেক্সন ৫২ গী মখাদা টেক্স লৌগদবা ইলেক্ট্রোনিক কম্মর্সকী খুথাংদা পোৎ সপ্লাই তৌবা কাঙবুশিং

ঐচ) মখাদা পীরিবা পোৎশিংগী মেনুফেক্টচররশিং :

| সে. নম্বর | ক্লাসিফিকেসন (টরিফ আইটেম/চেপ্টর) | দিসকৃপসন ওফ গুদস |
|---|---|---|
| ১. | ২১০৫ ০০ ০০ | আইস ক্রিম, ইদিবল রাইস- কোকুআ য়াওবা অমসুং য়াওদবা |
| ২. | ২১০৬৯০২০ | পান মসালা |
| ৩. | ২৪ | টোবেকো অমসুং টোবেকোগী মহুৎ শিনবশিং |

*নোট : কম্পোজিসন স্কিম পীবা মী অমনা ইন্টর ষ্টেট সপ্লায়র অমদগী পোৎ লৌবদা অথিংবা লৈতে।*

**৫. কম্পোজিসন লিভি ফংবা মী অমনা করম কান্দা টেক্স পীগদগে?**

**পাউখুম** কম্পোজিসন লিভি অসি ক্বার্টলি পীগনি। অদুবু মহাক্না সপ্লাই তৌরিবা থাদুগী তাং ১৮ ফাওবগী মমাংদা পীগনি।

**৬. কনাগুম্বা নুপা অমগী টর্ন ওভর অসি চৎলিবা ফাইনান্সিএল ইয়র অদুদা লুপা লাক্ষ ৭৫/লাক্ষ ৫০ দগী হেল্লবা হায়বদি দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা মহাক্কী টর্ন ওভর অসি লাক্ষ ৭৫/৫০ দগী হেল্লবদি মহাক কম্পোজিসন স্কিম অসিগী খুদোংচাবা অসি ফাইনান্সিএল ইয়র লোইবা মার্চ ৩১ ফাওবদা ফংগদ্রা?**

**পাউখুম** ফংলোই। হায়রিবা ফাইনান্সিএল অদুদা মহাক্কী টর্ন ওভর অদুনা লাক্ষ ৭৫/৫০ দগী হেল্লকপা মতমদুদা কম্পোজিসন স্কিম ফংবগী খুদোংচাবা অদ লোইরে। হায়রিবা থ্রেসহোল লিমিট ক্রোস তৌবা নুমিৎতুদগী হৌরগা নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা 'ফোর্ম জি এস টি সী এম পি - ০৪ হায়বসি শীজিন্নরগা কম্পোজিসন স্কিমদগী ৱিথদ্রো তৌগদবনি। অদুবু মহাক্না ৱিথদ্রো তৌবা নুমিৎতুদা মঙোন দা লৈবা কেপিটেল গুদস, ষ্টোক, শাবা লোইরবা গুদস, সেমি ফিনিসশিংগী ইনপুট টেক্স ক্রিদিট ফংবগী খুদোংচাবা পীগনি করিগুম্বা মহাক্না নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা কম্মন পোর্টেলদা য়াওরিবা ফোর্ম জি এস টি আই টি সী - ০১ শীজিন্নরগা ষ্টেটমেন্ট পীরক্কদবনি।

**৭. করম্না কম্পোজিসনগীদমক্তা এগ্রিগেট টর্ন ওভর অসি হোৎকদগে?**

**পাউখুম** টেক্সবল সপ্লাইশিংগী ভেল্যুদুদা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা এগ্রিগেট টর্ন ওভর হোৎকনি। 'পান' অমখক্তং শীজিন্নবা কাঙবুগী সপ্লাই অমদি এক্সপোর্ট য়াওরোই। অদুবু রির্ভস চার্জগী মখাদা সেন্ট্রেল/য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমদি ইন্টিগ্রেটেদ টেক্সেস পীবা সপ্লাইশিং য়াওগনি।

**৮. কম্পোজিসন স্কিম ফংবা মী অমনা মহাক্কী ইনৱার্দ সপ্লাইদা ইনপুট টেক্স ক্রেদিট ফংগদ্রা?**

**পাউখুম** ফংলোই। কম্পোজিসন স্কিম লৌবা মী অমনা ক্রেদিট চ্যেনগী খুদোংচাবা ফংলোই। মহাক্কী ইনপুট সপ্লাইদা ক্রেদিট লৌবা য়াদে। মহাক্না কম্পোজিসন স্কিমদগী নোর্মেল স্কিমদা হোংবা নুমিৎতুদগী ক্রেদিট চ্যেন ফংগনি।

**৯. কম্পোজিসন স্কিমগী মখাদা লৈবা মী অমদগী রেজিষ্টর তৌবা মী অমনা পোৎ লৈবদা ক্রেদিট টেক্স ফংগদ্রা?**

**পাউখুম** ফংলোই। কম্পোজিসন দিলর অমনা মহাক্না পীখিবা টেক্স অদু মহাক্কী কষ্টমরদগী লৌবা য়াদে।

**১০. কম্পোজিসন স্কিম ফংবা মী অমনা জি এস টিগী মখাদা টেক্স ইনভোইস ইস্যু তৌবা য়াব্রা?**

**পাউখুম** য়াদে। টেক্স ইনভোইসকী মহুত্তা বিল ওফ সপ্লাই ইস্যু তৌগদবনি।

**১১. কম্পোজিসন স্কিমগী মখাদা মী অমনা থা খুদিংগী রিটর্ন ফাইল তৌগদ্রা?**

**পাউখুম** তৌরোই । চৎলিবা ক্বার্টরদুগী অহানবা থাগী তাং ১৮ ফাওবগী মনুংদা কম্মন পোর্টেলদা জি এস টি এন কম্মন পোর্টেলদা য়াওরিবা জি এস আর - ৪ দা ক্বার্টর রিটর্ন অদু ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ফাইল তৌগদবনি।

**১২. জি এস টি আর - ৪ দা মেনগদবা মরু ওইবা ইনফোর্মেসনশিং করি করিনো?**

**পাউখুম** ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুগী মনুংদা সপ্লাই তৌরিবা পোৎশিং, সার্ভিসেস অমদি টেক্স পীগদবা সার্ভিসশিংগী টর্ন ওভরগী অকুপ্পা ৱারোলশিং।

**১৩. কম্পোজিসন স্কিম ফংবা মী অমনা অনরেজিষ্টর মী অমদগী ইনপুট সার্ভিস ফংবা মতমদা কম্পোজিসন টেক্স পেয়র অদুনা রির্ভস চার্জদা জি এস টি পীগদ্রা? পীরবদি করম্বা মওংদা ?**

**পাউখুম** পীগনি। রিভর্স চার্জ মেকানিজমদা কম্পোজিসন টেক্স পেয়র অদুনা টেক্স পীগনি। সপ্লাই রিসিভ ফংবা ক্বার্টরদুগী অহৌবা থাগী তাং ১৮ ফাওবগী মনুংদা পীগনি। হায়রিবা ৱারোলশিং অসি ফোর্ম জি এস টি আর - ৪ গী টেবল ৪ দা উৎকদবনি।

**১৪. টেক্স পীগদবা মীওই অদুনা কম্পোজিসন স্কিমগী মখাদা পেমেন্ট ইন্টিমেসন তৌবগী ফোর্ম অদু করিনো?**

**পাউখুম** ফোর্ম জি এস টি সী এম পি -০১ নৎত্রগা জি এস টি সী এম পি - ০২ গী মখাদা ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ইন্টিমেসন ফাইল তৌগনি।

**১৫. হৌজিক চৎনরিবা সেন্ট্রেল এক্সাইজ/সার্ভিস টেক্স/ভেট লোগী মখাদা রেজিষ্টর তৌবা অমসুং প্রোভিজনেল বেসিসতা রেজিষ্ট্রেসন ফংলবা মী অমনা কম্পোজিসন স্কিম লৌবা য়াগদ্রা? করম্না অমসুং করম হায়না মহাক্না ফংগদগে?**

**পাউখুম** জুন ২২, ২০১৭ কী মমাঙদা নৎত্রগা কম্মিস্নরনা পীরকপা মতম অমদা কম্মন পোর্টেলদা য়াওরিবা ফোর্ম জি এস টি সী এম পি -০১ দা মহাক মশানা সাইন তৌরগা ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ফাইল তৌগদবনি।

**১৬. প্রোভিজনেল্লি রেজিষ্টর তৌবা নুপা অমনা কম্পোজিসন লিভি পীনবগীদমক অতোপ্পা করি করি চঙবগে?**

**পাউখুম** মহাক্কী ষ্টোক অমদি মহাক্না রেজিষ্টর তৌদবা মীদগী ফংবা সপ্লাইশিংগী দিটেল কম্মন পোর্টেলদা য়াওরিবা ফোর্ম জি এস টি সী এম পি - ০৩ দা ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ফাইল তৌগদবনি। নৎত্রগা কম্মিস্নরনা নোটিফাই তৌবা ফেসিলিটেসন সেন্তরশিংদা তৌগদবনি। হায়রিবা ইলেক্ট্রোনিক ফাইল তৌবা অসি মহাক্না কম্পোজিসন লিভি লৌনবগী ওপসন পীবা নুমিৎতুদগী পারগা নুমিৎ ৬০ নি ফাওবগী মনুংদা তৌগদবনি।

**১৭. জি এস টিগী মখাদা ফেজ রেজিষ্ট্রেসন তৌবা মতমদা মীওই অমনা কম্পোজিসন লিভিগী এপ্লাই তৌবা য়াব্রা?**

**পাউখুম** য়াই। ফোর্ম জি এস টি আর ঈ জি-০১ গী পার্ট বিদা কম্পোজিৎ স্কিম পীজগে হায়না ওপসন লৌবা য়াই। হায়রিবা অসি কম্পোজিসন স্কিমগী মখাদা টেক্স পীজগে হায়না ইন্টিমেসন তৌবনি।

**১৮. কম্পোজিসন লিভিগী মখাদা টেক্স পীবসি চহীদুগী মনুংদা মতম অমদা হেক্তা হৌবা য়াব্রা?**

**পাউখুম** য়াদে। মরী লৈনবা ফাইনান্সিয়েল ইয়র অদু হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফোর্ম জি এস টি সী এম পি -০২ দা ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ফাইল তৌগদবনি।

**১৯. রেজিষ্ট্রেসন ফংলবা মীওই অমনা কম্পোজিসন লিভিগী খুদোংচাবা ফংবা য়াব্রা? য়ারবদি করম হায়না?**

**পাউখুম** য়াই। মহাক্না ফাইনান্সিয়েল অদু হৌদ্রিঙৈ মমাঙদা জি এস টি সী এম পি - ০২ দা ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ফাইল তৌগদবনি।

**২০. কম্পোজিসন লিভি লৌগদবা মীওই অমনা আই টি সী রিভর্সেল পোইন্ট ওফ ভিয়ুগী মখাদা তৌগদবশিং অদু করি করিনো?**

**পাউখুম** মহাক্না হায়রিবা ওপসনসি পীদ্রিঙৈ মমাঙদা মঙোন্দা লৈবা ষ্টোক, ফিনিস গুদস, সেমী ফিনিস গুদসকী ইনপুট টেক্সতুগা মান্নবা এমাউন্ট অমা কম্পোজিসন স্কিমগী মখাদা টেক্স পীবা দরকার ওই। রেজিষ্টর তৌরবা টেক্সেবল পার্সন অদুনা ফংবা ইনভোইসশিংগী ক্রেদিট অদুদা প্রোপেস্নেটল্লি ইনপুটকী আই টি সী হোৎকনি।

মহাক্না ওপসন লৌবা নুমিৎতুগী মমাংগী হেক নুমিৎতগী পারগা মঙোন্দা লৈবা ষ্টোকশিংদুগী ইনপুট টেক্স ক্রেদিট অমদি লেমহৌরিবা য়ুজফুল লাইফতগী পারগা প্রো-রেটা বেসিসতা হোৎকনি। য়ুজফুল লাইফ অসি চহী মঙা ওইগনি। কেপিটেল গুদসসি চহী ৪ থা তরুক নুমিৎ ১৫ নি ওইবা মতমদা লেমহৌরিবা য়ুজফুল লাইফসি থা মঙাখক ওইগনি। কেপিটেল গুদসকী আই টি সী অসি সী ওইরবদি লেমহৌরিবা য়ুজফুল লাইফতুগী আই টি সী অসি সীদা ৫/৬০ না পুরিগনি। মসিনা কেপিটেল গুদসতা পীগদবা টেক্স ওইগনি।

আই টি সীগী এমাউন্টসি তোঙান তোঙান্না ইন্টিগ্রেটেদ টেক্স, সেন্ট্রেল টেক্স, ষ্টেট টেক্স/য়ুনিয়ন টেক্সকী ওইনা হোৎকনি। হায়রিবা পেমেন্ট অসি ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ক্রেদিট লেদজরদগী পীবা য়াই। হায়রিবা লেদজরদুদা বেলেন্স মরাং কায়না লৈরবদি। মরী লৈনবা ফাইনান্সিএল অদু হৌদ্রিঙৈগী নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা সেক্সন ১৮(৪) সী জি এস টি এক্ট ২০১৭ কী মখাদা সেমি ফিনিস, ফিনিস গুদসশিংগী ষ্টোক অমদি কেপিটেল ষ্টোকশিংদুগী আই টি সী রিভর্সেল/পেমেন্ট অদু ফোর্ম জি এস টি আই টি সী - ০৩ শীজিন্নরগা পীবা য়াই।

**২১. মল্টিপল ষ্টেটশিংদা রেজিষ্টর তৌবা কনাগুম্বা মীওই অমনা কম্পোজিসন লিভি অসি ষ্টেট অমদা পীরগা অতোপ্পা ষ্টেট অমদা পীদ্রবসু য়াব্রা?**

**পাউখুম** কম্পোজিসন লিভিসি ষ্টেট খুদিংমক্তা চৎনগদবনি।

**২২. কম্পোজিসন লিভিগী ইফেক্টিভ দেটসি করিনো?**

**পাউখুম** সিচুয়েসন অহুম লৈ।

| সিচুয়েসন | ইফেক্টিভ দেট ওফ কম্পোজিৎ লিভি |
|---|---|
| প্রোভিজনেল রেজিষ্ট্রেসন ফংলবা অমদি ইন্টিমেসন রুল ৩ (১) গী মখাদা কম্পোজিসন লিভিগী ওপসন পীরবা মীওইশিং | এপোন্টেদ মতম অসি জুন ২২, ২০১৭ নি। |
| অনৌবা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা মতমদা ইন্টিমেসন রুল ৩ (২) গী মখাদা কম্পোজিসন লিভিগী ওপসন পীরবা মীওইশিং | ইন্টিমেসন অদু রেজিষ্ট্রেসন ফংলবা মতুংদা খন্নগনি অমদি সেক্সন ১০ গী মখাদা টেক্স পীবগী ওপসন অদু ইফেক্টেভ দেট ওফ রেজিষ্ট্রেসন্দগী পারগা লৌগনি। |
| ইন্টিমেসন অন্দর রুল ৩ (৩) গী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন ফংলবা কাঙবুশিং | ফাইনান্সিএল হৌবা নুমিৎতা। |

**২৩. কম্পোজিসন স্কিম ফংনবগী কন্দিসনশিং অমদি রেষ্ট্রিক্সনশিং অদু করি করিনো?**

**পাউখুম** মথক্তা পীখিবা ক্বেসন নম্বর ৪ গী অন্সরদুগী মথক্তা মখাদা পীরিবা কন্দিসনশিং অসি কনাগুম্বা মীওই অমনা সেক্সন ১০ গী মখাদা কম্পোজিসন স্কিমদা টেক্স পীগে হায়রবদি কমপ্লাই তৌগদবনি।

এ) মহাক্না ইস্যু তৌবা বিল ওফ সপ্লাইগী মথক্তা 'কম্পোজিসন টেক্সেবল পার্সন, নোট ইলিজিবল টু কলেক্ট টেক্স ওন সপ্লাই' হায়না পনগদবনি।

বি) মহাক্না বিজিনেস তৌরিবা মফমশিংদা অমদি মরু ওইবা মফমশিংদা থেৎপা সাইন বোর্দশিংদা 'কম্পোজিসন টেক্সেবল পার্সন' হায়না থাগদবনি।

**২৪. কম্পোজিসন লিভিগী ভেলিদিটি করিনো?**

**পাউখুম** সী জি এস টি এক্ট ২০১৭ অমদি সী জি এস টিগী রুল ৩ টু ৫ গী সেক্সন ১০ গী মখাদা পল্লিবা কন্দিসনশিং অদু ফুলফিল হেক তৌরিফাওবা ভেলিদ ওইগনি।

**২৫. কম্পোজিসন লিভিগী মখদা টেক্স পীরিবা নুপা অমনা ভোলুন্টরিদগী তোকপা য়াব্রা? য়ারবদি করম হায়না?**

**পাউখুম** য়াই। রেজিষ্টর তৌরবা মীওই অমনা জি এস টিগী ফোর্ম জি এস টি সী এম পি - ০৪ দ্যুলি সাইন তৌরগা ফাইল তৌগদবনি।

মী খুদিংমক্না জি এস টিগী ফোর্ম জি এস টি আই টি সী - ০১ দা ইলেক্ট্রোনিক ফাইল তৌরগা কম্পোজিৎ স্কিমদগী ৱিথদ্রো তৌবা য়াই। হায়রিবা ফোর্ম অসিদা মহাক্কী লৈজবা ষ্টোকশিং অমদি মহাক্না তোকপা নুমিৎতা লৈবা সেমি ফিনিস, ফিনিস গুদসশিংগী ষ্টোকশিং অদু ৱিথদ্রো তৌবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৩০ নি ফাওবগী মনুংদা ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ফাইল তৌগদবনি।

**২৬. কম্পোজিসন লিভিগী প্রোভিজনশিংসি থুগাইরকপা মতমদা মরী লৈনবা ওফিসার অমনা করম হায়না এক্সন লৌগদগে?**

**পাউখুম** মরী লৈনবা ওফিসারশিংনা কনাগুম্বা মীওই অমা কম্পোজিসন স্কিমগী মখাদা ইলিজিবল ওইদে অমদি সী জি এস টিগী রুলস ২০১৭ কী চেপ্তর টুগী মখাদা য়াওরিবা প্রোভিজনশিং থুগাইরে খঙলবদি জি এস টিগী ফোর্ম জি এস টি সী এম পি -০৫ শীজিন্নরগা মীওই অদুদা শো কোজগী নোটিশ অমা করিগী কম্পোজিসন স্কিম পীগদৌরিবনো হায়না হংদুনা থাগনি। হায়রিবা নোটিশ অসিগী পাউখুম নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা মীওই অদুনা পীরক্কদবনি।

নোটিশ অদু ফংলবা মতুংদা হায়রিবা মীওই অদুনা জি এস টিগী ফোর্ম জি এস টি সী এম পি - ০৬ তা পাউখুম হল্লক্কদবনি। মহাক্কী পাউখুম অদু য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বসি মরী লৈনবা ওফিসার অদুনা জি এস টিগী ফোর্ম জি এস সী সী এম পি - ০৭ তা মহাক্কী পাউখুম ফংবা নুমিৎতুদগী পারগা নুমিৎ ৩০ নি ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীগনি।

**২৭. মরী লৈনবা ওফিসার অদুনা কম্পোজিসন লিভি পীবা য়াদে হায়রবদি মীওই অদু মহাক্কী লৈজরিবা ষ্টোক্কুগী আই টি সী ফংগদ্রা?**

**পাউখুম** ফংগনি। কম্পোজিসন লিভি পীদ্রে হায়না মরী লৈনবা ওফিসার অদুনা জি এস টিগী ফোর্ম জি এস টি সী এম পি -০৭ তা ওর্দর থোকপা নুমিৎতা মহাক্কী লৈজবা সেমি ফিনিস, ফিনিস গুদসশিংগী দিটেলশিং য়াওনা জি এস টিগী ফোর্ম জি এস টি আই টি সী - ০১ শীজিন্নদুনা ফাইল তৌগদবনি। হায়রিবা ফাইল তৌবা অসি মরী লৈনবা ওফিসার অদুনা থোকপা ওর্দরদুগী নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৩০ নি ফাওবগী মনুংদা তৌগদবনি।

**২৮. মফম অমদা ৱিথদ্রোৱেল তৌজগে হায়না থাবা ইন্টিমেসন অসি মহাক্কী বিজিনেসকী মফম খুদিংমক্তা চৎনগদ্রা?**

**পাউখুম** চৎনগনি। মহাক্কী বিজিনেসকী মফম অমদা ৱিথদ্রোৱেল তৌজরগে হায়না থাবা ইন্টিমেসন অদু ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৈরিবা মহাক্কী বিজিনেসশিংসু লোয়না য়াওগনি। তৌবতবু পার্মিনেন্ট একাউন্ট নম্বরদি অমত্তা ওইগদবনি।

**২৯. সার্ভিস সপ্লায়রশিংনা কম্পোজিসন লিভি ফংবা য়াব্রা?**

**পাউখুম** য়াদে। রেষ্টুরান্ট সার্ভিস নত্তবা অতৈ য়াদে।

**৩০. কন্দিসন ময়ামসি থুগাইরগা কম্পোজিসন স্কিম লৌবা কাঙবুশিংদা করম করম্বা পেনাল এক্সন লৈবগে?**

**পাউখুম** কম্পোজিসন স্কিমগী মখাদা ইলিজিবল ওইদবা টেক্সেবল পার্সন অমনা কম্পোজিসন স্কিমদা টেক্স পীরম্লবদি সেক্সন ৭৩ নৎত্রগা ৭৪ গী মখাদা মঙোন্দা পেনালটি পীবা য়াই।

**৩১. কম্পোজিসন স্কিমগী মখাদা টেক্স পিবা মী অমনা 'এস ঈ জেদ' তা গুদসশিং সপ্লাই তৌবা য়াব্রা?**

**পাউখুম** য়াদে। দোমেষ্টিক টরিফ এরিয়াদগী 'এস ঈ জেদ' তা সপ্লাই তৌবসি ইন্টর ষ্টেট সপ্লাই ওইনা লৌগনি। কম্পোজিসন স্কিমগী মখাদা টেক্স পীবা মী অমনা ইন্টর ষ্টেট সপ্লাই ওফ গুদস তৌবা য়াদে। এস ঈ জেদ য়ুনিট অমদা সপ্লাই তৌগে হায়রবদি মী অদুনা রিগুলর টেক্স পেয়র ওইনা রেজিষ্ট্রেসন তৌগদবনি। 'এস ঈ জেদ' তা সপ্লাই তৌবা অসি টেক্স জেরোনি। কনাগুম্বা অমনা টেক্স পীরম্লবসু মহাক্না টেক্স অদু অমুক রিফন্দ তৌবা য়াই।

**৩২. কনাগুম্বা মীওই অমগী অরোইবা ভেট রিটর্নদা অহেনবা লুপা ১০,০০০/- গী আই টি সী লৈরবদি হায়রিবা আই টি সী অসি জি এস টিদা ফোরৱার্দ তৌবা য়াব্রা?**

**পাউখুম** রেজিষ্টর পার্সন অদুনা কম্পোজিসন স্কিম লৌরবদি অহেনবা ভেটকী আই টি সী অদু জি এস টিদা ফোরৱার্দ তৌবা য়াদে।

davp 15502/13/0095/1718

জি এস টি - অফবা অমসুং অচম্বা টেক্স

ঐখোয়দা ত্বিট তৌবিরকউ @askGST_GoI দা জি এস টি গা মরী লৈনবা ৱাহং খুদিংমক

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস এন্দ কম্মর্সিয়েল টেক্সেস দিপার্টমেন্টস ওফ ষ্টেটস/য়ুনিয়ন টেরিটোরিস
www.cbec.gov.in, www.cbec-gst.gov.in